# “মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা-!”


– এল ইবোমচা –




মণিপুরগী চীংগী লমদা য়াম্না ঙক্লা থোকপা থৌদোক অমা হায়বা তারবদি ১৭অমসুং ১৮শুবা সেঞ্চুরিগী লংদাইদা চঙলকখিবা কুকিগী মীশিং অমদি খুলগী মশীংনা চহী লিশীং অনীগী মমাঙদগী খুন্দাদুনা লাক্লবা য়েলহৌমী নাগা ইচিল ইনাওশিংগী মী মশীং অমদি খুল মশীংদগী হেনখিবা অসিনি। অৱা (ম্যান্মার) লৈবাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা মণিপুরদা খুন্দারকখিবা চহী ২০০ ফাওবা ফাদ্রিবা কুকিশিংনা অসুক য়াম্বা মীয়াম অমা খুল মশীং খঙদনা শেমগৎতুনা লৈশিল্লবদা করিগীদমক্তা য়েলহৌমী নাগা ইচিল-ইনাওশিংনা অথিংবা পীদবনো হায়বসিনি। চীংদা কুকি এম এল এ অমা কাবদা ফাওবা কদাইনো হায়রবদা ১০ কারবা ফাওবা নীংঙাইদনা লৈথোক্লিবা করিগীনো হায়না হংবা য়ারবনি। মখোয় পূন্না পাক চাউরবা চীংমাই অমদা লৈমিন্নবা চর্চ অমত্তদা পূন্না প্রেয়র তৌমিন্নবনি, ধর্ম্ম মান্নবদগী অথিংবা পীহৌদবনি হায়রবসু খরা হাকমল্লি। ঙসিদি করি শারে, ঐখোয় পূন্নমক ৱামিন্নরে।

কুমজা ১৯৯২/৯৩দা নাগা কুকিগী লানদা কুকিগী মীশিং কা হেন্না শিখিবা অদুদা চাউনা মায় পাক্লে খল্লবসু মোরেদগী নাগাশিং শিৎ-নান্না তান্থোরকখিবগী ৱাখল অদুদি মচেৎ অমত্তা খন্দনা খোঙ্গ্রাই নিক্তুনা লৈথোকপা অদুমক্তি খরদি হেনমল্লি, তুংগী মীরোলগী খন্দবা মাল্লি। নাগা কুকি লান মতুংদগী কুকিশিংদি মখোয়গী লাইন ক্লিয়র ওইরে, লন্মী ফাৎলে খন্দুনা কুকিলেন্দ তানবগী ঈহৌ অমা শাগৎপা হৌখ্রবনি। মখোয়গী মথং এইমদি মীতৈশিংবু মখোয়গী মফমদগী শিৎ-নান্না তকথোকখিবা হায়বসিনা ওই।

মসিগী অহানবা খোঙথাং লৌখৎপা ওইনা মখোয়না নম্না লৈবা মফমশিংদা মমাঙঙৈদগী মীতৈলোলদা থোন্দুনা লৈরবা খুল কয়া অমদি পাৎ, তুরেলগী মমিংশিং মখোয়গী লোলগী মমিংদা থোঞ্জিনবা হৌরকখি। অদুম্নদি ওইরগা কুকিলেন্দ তানবদা লান অমদি শেল য়াওদবা য়াদবনা শেল লাক্লবা লন্মী থিবদা পোপি থাবনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইবনা চীংমাই কোকথোক্লগা পোপি পান্বী পাক শন্না থাবা হৌরকখি। অদুগা লান হায়বসি খূৎশু-খূৎলায় অমদি মী চঙবনা য়ূম্লোন্নবা ম্যান্মারদগী মখোয়গা নাৎ-চৎনবী মান্নবা কুকি ফূরুপকী মীওই ময়াম অমা কৌশিল্লগা খুন্দাহল্লি। মরম অসিনা কুকিশিং অসি মণিপুরদদি চাউবোক ঙাক্তা ওই। ঈগী মরী লৈনদবা অদুননি মীতৈ ফূরুপকা পূন্না লৈমিন্নবা শুকঙম ঙম্লরোই হায়না কুকিশিংনা ইরায় লায়না হেক হেক হায়বা ঙম্লিবনি। তৌবগীদি মীতৈশিংনসু মখোয়সি শৈদাংলবনি, লম দখল তৌবা ফূরুপ্পি খঙলবসু য়ান-য়ানবা লৈমিন্নরগা লোইরে খল্লগা নোংমতসু তাথী-তাওই তৌদনা ইচিল ইনাওগুম লৈমিন্নরুবা অদুননি।

মতুং তারকপদদি কুকিশিং তৌফম লাকফম খঙদবদগী মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবগীদা তাইশিন্নদুনা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা চুড়াচান্দপুর, মোরে অমদি কাংপোকপীদা খুন্দাবা মীতৈশিংগী য়ূম-কৈ মৈ থাদুনা, নুপী কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দুনা ওৎ নৈবীদুনা তান্থোরকপনি। য়াচংবা মল্লকপগী মতমদা লান্দারকপা ওইবনা মীতৈশিং মায়কৈ মাঙনদুনা মথ্বায় হিংনবা লাঞ্জেন্নবনি। অহিং মিৎশেল খাঙদুনা খোংবাল লুকপালদা, নারক্তা, মোংশোংদা অহিং চূপ্পা লোৎনবনি। চুড়াচান্দপুর টাউনদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবা ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং পাম্বে লৈতনা তিঙক-তিঙক্লা কুম্মৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লৈখিবনি। কনবীনবা হায়জরবসু মথক থোংবদগী ওর্দর ফংদে হায়দুনা কিহন-খংহনবা ওইনা ব্লেঙ্ক ফায়রদা নোংমৈ মরূ অমা কাপ্তে অমদি টিয়র গ্যাস ফাওবা কাপখিদবনি। ইন্টলিজেন্স দিপার্টমেন্ট হূইনা মমৈ মক্রাং লোন্দুনা কাচিন্দা কিনা লোৎপগুম্না লোৎতুনা লৈখি। ইম্ফালগা চুড়াচান্দপুর, মোরে, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিগা পাউ ফাওনদবা মাল্লি। অচুম অরান থিবগী মহুৎতা মীতৈনা কুকি উবা য়াদে, কুকিনা মীতৈ উবা য়াদে। উনবগা হাৎনগদবগী মওংদা লৈনখি।

নাকল অমরোমদা, ইম্ফালদা কুকি অমত্তা লৈত্রে হায়বা করম্না খঙলিবনো খঙদে, অথুবদা কুকি এম এল এ ১০না লুচিংলগা দেল্লীদা চৎতুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন দিমান্দ তৌবা হৌরকই। মখোয়গী ৱাকৎতি মীশিং য়াম্বা মীতৈ হিন্দুনা মীশিং য়ামদবা কুকিশিংবু ওৎপী-নৈবীরে, ইম্ফালদা কুকি অমত্তা লৈবা ঙমদ্রে, য়ূম কয়া মৈ থাদুনা তান্থোকপীরকপদগী লাঞ্জেন্নরে মসিনি। মদুনা মখোয়না চুড়াচান্দপুরদা মীতৈগী য়ূম মৈ থাদুনা মীতৈনা লাঞ্জেন্নবা অদুগী ভিদিও অদু উৎলকখি। মরম অসিনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পীয়ু মীতৈগা কৈদৌনুংদা লৈমিন্নবা ঙম্লরোই। লৈরিবা লৈঙাক অসি মীতৈগী লৈঙাক্লি কম্যুনেল ফিলিং লৈবা লৈঙাক্লি হায়দুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবা হৌরকখিবনি।

সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ অসি তাল্লকখ্রবা মতুংদগী মীতৈশিংনা এস টি দিমান্দ তানবদগী থোকহল্লকপা লাননি হায়রম্বদুনা হৌজিক্লা মদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙখিদ্রে। অদুনদি থোক্লিবা লানসি মখোয়না মতম কুইরবগী মমাঙদগী খন্দুনা লৈরকপা থৌইনশিন্নি তাকই। মতাং মতম চপ চাবা য়াম্না ৱানা ঙাইরক্লবা মতুংদা ওইরোইদবা মায় পাক্লোইদবা লান অসি মীতৈদা নোংমৈ মচিন ওনশিন্দুনা লান্দারকপনি। লোয়ননা মণিপুরগী পাক চাউবা অসি স্কৱার কিলোমিটর ৭০০কী তম্পাক লম অসিখক্তনি। তম্পাক অসি মীতৈগী লম শরুক্নি। অদুগা চীংগী লমগী শরুক অসিদি মখোয়গী মপা মপুশিংনা মখোয়গীদমক থম্বীরম্বনি হায়না অরানবা পাউ মালেমগী মীয়াম্না তাননবা মীদিয়াগী খূথাংদা শন্দোরকই। মর্জর এগ্রিমেন্টতা য়াওখিবা মণিপুরগী পাক চাউবদু কুকিশিংনা ফোঙনা শীংনরকই।

হৌজিক্তি কাঙলূপকী লাঞ্জাওদু থোকখ্রে, মীতৈ অমদি কুকি উনবা য়াদ্রে। কুকিশিং তম্পাক্তা কুমথরকপা ঙমদ্রে। মীতৈশিংসু চীংদা খোঙকাপ অমা ফাওবা কারুবা ঙমদ্রে। মীতৈশিং তম্পাক্তগী হেন্দোকপা ঙমদ্রে। হৌজিক মীতৈশিং অসি চফু মফম চাদবদা খিনবগুম্বনি। নিংথিনা হৈন-শিংনা খূৎনা লেংথোক লেংশিন তৌদ্রবদি কাইগদৌরিবনি। চাক চরা অমা থোংনবা চীংদা খোঙকাপ তরা-কুনদং কাদুনা শীং চল্লুবা মীতৈ মরি মথ্বায় মাঙলিবনি। লান অসি মতম শাংথনা লৈগদবা মাল্লি, শুফম নোম্ফম লৈতদুনা চীঙ্গাক্কী লান অমনা মখা শমথরক্কদবা মাল্লি। লান অসি লোইখিবা তারবসু হুরান চিন্থি লুট-পাৎকী শক্তম্না মখা শমথহৌদুনা মতম কুইনা তংদু লৈতাদবা মণিপুর অমা ওইদুনা লৈহৌগদবা মাল্লি। মতাং অসিদা পীক্কে পীকউ, চাউগে চাউ, ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইবা হায়বসি ময়াম পূন্নমক্কী মকোক্লি। মকোক ওইবা হায়বসি অরাইবা নত্তে, টিম কেপ্তেননি, কম্মান্দর অমনি। মতাং মতম চপ চানা খোঙ থিন্দুনা চৈবা, পীশুম শুক্তুনা ঙাঙ শকপা হৈবা, লিদরশিপ ক্কালিটি চেনবা, মীবুসু মনা পীদুনা থাগৎপা হৈবা মীশক ওইগদবনি।

ঙসিদি অসিগুম্বা লুচিংবা অমত্তা মণিপুরগী মরাইবক্তা তল্লমদ্রে। হায়বদি মণিপুরদা অশেংবা লুচিংবা অমত্তা লৈরমদ্রে, লুচিংবা শাবদুনা ৱা চাউনা চাউনা ঙাঙলগা লৈরিঙৈদা খোঙ্গ্রাই শৎহৌদ্রে, লমগী ষণনা ৱাইরে, লোংনা তারে। ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাকপা নুমিৎসু ওইবা মে ৩, ২০২৩ চুড়াচান্দপুরদা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়রবা কুকি ময়াম অমনা রেল্লি চৎপদা থৌশাদনা য়েংলগা লৈথোক্লুরে। ব্লেঙ্ক ফায়র ৫/১০ খক দোং দোং কাপ্পদা অমদি টিয়র গ্যাস ১০/২০ খক ব্রং-ব্রং কাপ্পদা মরন্নাই অদুমক ঈংথখ্রগদবা ঈহৌদু তৌহৌদদুনা মণিপুর শলাক শারে। হান্নদগী ওমদুনা লাকপা মৈগী চীং পোকখায়রে, অশাবা লাভা ময়াম চেন্থোরক্তুনা মণিপুর মৈ হৌনা চাকখ্রে।

অশেংবসুনি, লৈবাক অমদা মতম মতমদুগী শা-লান থোক্লকপদা থেংনবা ঙমদ্রবা, শেল থুমগী থৌশিল হৈত্রবা, লন্মী থোংদা অমদি অনা লায়েংবদা মিৎয়েং চঙদ্রবা, মীনা তাকপা অশোয়বা য়াজবা ঙমদ্রবা লুচিংবা মকোক্লা লৈবাক ঙাক্লবদি লৈবাক মাঙ তাকপা মশানা তাবনি। ঙসিদি ইমা লৈবাক মণিপুর অসি “মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা-!” গা পাঞ্জক ওইরে, শোমদনা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মরোল অমা করম থোকঅগবা-? ●

# নুংশি নোংলৈ অমনা - ৬


– বি সী খুমন –


“কদাইদনো থৌরিসিবো...?”

“ইবানি চেনফমদা...”

“দা রোবর্ট করিনো খল্লিদুবো...”

“কদায়দা থৈসিগে সুম খল্লিবা...”

“অস লোইরেহে! অঙাং মচাদৌনা... চেন্দ্রসু অদুম লুহোংবা য়ানরকানসিদা... কদায়দা থৈগে হায়রিনো...?”

“খনফম খঙদ্রে... মরুপ-মপাংগী য়ূমদা থৈবসু হনুরকানসিদা... ইকায়জৈ... উম...”

“(নোক্লগা) দা রোবর্ট গাড়ী মমায় লৈরো...”

ব্রেক খংফা ফারগা-

“ইবেহায়বী চেন্নীংদ্রবা? লুহোংলসি তত্তনা হায়দাইনে?”

“হো মীৎনা উবা ঈশ্বর ইবুংঙো, থৈফম খঙদ্রে হায়বদো থৈফম লৈরে হল্লসি হায়গে তৌবনে”

“কদাইদনো, নমান্নবীগী য়ূমদদি তল্লিকো...”

“হো শেলসু তিংদবা... কনানসু করিসু হায়রোইদবা ঐখোয় য়ূমদা থৈমিন্নরুরসি হায়বনিদা...”

“নুপী চেনবদা নুপী ময়ূমদা থৈনবদি ঐ ইমানা পোকপদগী তারক্ত্রি... অনৌবা চৎনবীরা?

গাড়ীদু মখা তানা থৌথখ্রে। ইবেহায়বীসু ইকায়রিরা, ফুম্বংনরিরা ৱা ঙাঙলকখিদ্রে। মতৌদুদা রোবর্টনা ইবেহায়বীদা নুংশিনা য়েংলগা মখূৎ ওইদুনা তপ্না কোনশিল্লগা-

“ইবেহায়বী চেনবা-চেন্দবা ঐখোয় অনী ঙসিদি থাঙ্গ করাংগী চীংদুম মচাদুদা ঙাইহাক ফম্লুরগা পূন্সিগী ওইগদবা মঙলান শাগৎমিন্নরুসি নঙ য়াব্রা?”

“চীংদুম মচাদুদা, উরক-ৱারক্তুদা ইহাঙ হাঙবদুদা অহিং য়ারেকপদি ঐ...”

“মফমদো লোইনা হোংলে, উ-ৱাশিংদু মফম চানা-চানা হৌহনখ্রে, ইহাঙ হাঙলম্বা চীংদুম মচাদো লমকোয়বশিংগী স্বর্গ ওনখ্রে অদুবু অদুঙৈগী হিহোনবগী নুংশি ঈশৈদুদি ঐনবু চৎলদি অদুম তাবা ফংলি, নহাক কৈদা চৎখ্রে তত্তনসু হংই...”

“দা রোবর্ট কৈনো নঙনা ঙাঙলিবা ময়ামসিবো?”

“ ’হায়বী খঙদে, নঙগী ৱাখল খনখিদবা ঐগী মীকুপ অমত্তসু লৈখিদে, ৱাশক্লা পুনখিবনা ঐগা নঙগা শাংলবা মতম কয়া লাপথোক্লহনখিবদা ঐ ঙাওদুনা চৎকে তৌরুই। খাঙফম খঙদদুনা মরক মরক্তা করাংগী চীংদুম মচাদুদা ফমদুনা নঙগী ৱাখল খন্দনবা হোৎনরুই। হেন্নদুম মৈচাক হাপকৎপা ওইনা থোকখি...। য়ূমদা হনগনি কাউখিদুনা অহিং কয়া চীংথক্তুদা লেনখিবসু কোঙ্গাইনি। তত্তনা লাকপনা খুঙ্গংসিগী মীপূম খুদিংগসু খঙনা চান্নরে। পুকচেল চাউরবা-চাউরবী নহা অহল খাক্তনা ঙসিদি ঐবু উরগা ইকায়খুম্নবা উৎপীরে...”

“দা রোবর্ট... ৱারীদু লেপখিসি, ইমোস্নেল ওইমনখ্রে। গাড়ী থৌরি হায়বা কাউখিনি। হোরেন থাঙ্গ করাংগী স্বর্গগী ফজবা য়েংনা-য়েংনা ৱারী মখা তারগে...”

“ডাক্তর ওইরবনিনা ডাক্তরগী ৱাঙাঙদা এদভাইস পীবসু ফজনা হৈরে। ঐ য়াই ইবেহায়বী ঐগী অপাম্বা পূন্নমক নঙোন্দা লোত্তুনা লৈরম্লে, হেন্নসু লৈরমখিনি...”

লেপ্তুনা থৌরকপা গাড়ীদু লমথুংফম য়ৌরে খঙদুনা লেপখ্রে। মফম চানা পার্কিং তৌরম্লগা হি তোংননবা পাৎপান্দা থুংলরে। কুইরবগী তুংদা ইবেহায়বী অমুক হন্না হি তোংননবা হিরুবাক্তা কাখৎখ্রে। রোবার্টসু কাখৎ-কাখৎনা তুং মাং কোয়েং য়েংলি। ইবেহায়বীনা কনা য়েংলিনো হায়না ইঙ্গিৎনা হংই। রোবার্টনা-

“নুংঙাইরবা ঙসিগী মীৎকুপসিদা হিহোনবা শৈশকপদু উদে, ঐনা লাকপা খুদিংগীদি ইনাক্তা হি হেক্তা হোঞ্জিল্লকপনি, হিহোনবা শকখঙদবদুদা ওনশিন্দুনা হংই- ‘মরুপ হায়গদ্রা, ইনাও হায়গদ্রা ৱা অমত্তা...”

“ইয়াম্বা ঐ হিহোনবা মুক্তামনিগী মচানিপা অহলনি... ববাদো ঙসি নোংমা নীনিসি মশা ঙমদে হায়দুনা ফমুংদগী হৌগৎলু য়াদ্রে, তঙাইফদনা ঐনা মহুৎ শিঞ্জবনি...”

“ঐদি তাদেনা লাক্তবসু হাপ্তা হেল্লম্মনি অদুদি রেষ্ট হাউস চৎত্রিঙৈদা য়ূমদা হান্না চঙলুসি, ডাক্তরসু য়াওরি- তু ফল্লিবা নতৈমসে অফাওবা ডাক্তরনি, ডাক্তর ইবেহায়বী, মা অমুক্তা য়েংহনসি”

“য়ানিদা কোন্না, য়াম্না কন্না নাবসু নত্তে”

“য়াদে য়াদে লায়ওং খঙদনা অনাবা খাঙদুনা লৈবগী মতম নৎত্রবনি, বাবাদো ঐগসু লুনা তিন্নবনিনা ঐনা অঙম্বা মতেং পাংজগে হায়বনি”

নমদনা হিদু মুক্তামনিগী য়ূম মায়কৈ পাংনা হোনখ্রে। ডাক্তর ইবেহায়বীনা কুপ্না চ্যেক-অপ তৌবীদুনা অনাবগী মরম খঙদোক্লবা হোস্পিটালদা লাক্তুনা টেষ্ট খরা তৌসি হায়বীরো। ঙসিগী ওইনদি খরা পোত্থানবা হীদাক খরা চাসি হায়দুনা হীদাক মমিং ১/২সু ইবিরে। রোবর্টনসু নমদুনা শেল খরসু মখূত্তা শিন্নখ্রে। মুক্তামনি মপা-মচা পেনমনখিবনা মমিৎতগী মপি তানা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হি অমুক তোংদুনা লাকপনা রোবার্ট-ইবেহায়বী করাংগী চীংদুম মচাদুগী হিথাংফম য়ৌরে। চীংদুম অদুগী মহৌশাগী ফজবদু য়েংনীংমনবনা হঙ্গৎনা য়েংখৎলুবদা ইবেহায়বী থম্মোয় মথুম মরাং হৌখ্রে। কয়াদা ফজখ্রবা মহৌশা অমদি খূৎশেম্না নুংশিননা মীপূম খুদিংবু খূৎলাম তোয়না কৌরিবা, স্বর্গগী ফজবনা হেন্দ্রবা টুরিষ্ট কয়ানা শোন্নরিবা ‘রো-হায় রিজোর্ট’। মচিন্দা খঙহৌদনা শোনখি- ‘টাজমহলদুবু সিমুক ফজরমগদ্রা, সিনা কনানা কনা মশুংলাংগীদমক শারিবা!...” ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ৱাথম লৈরক শাথীনা ফৎত্রে, মরী লৈনবশিংনা অথুবদা য়েংশিনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইম্ফালগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা লম্বী ওইরিবা ৱাথম লৈরক (থাংমৈবন্দদা লৈবা) অমদি রিমস রোদ অনী অসি মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথীনীংঙাই ওইরে। লম্বী অনী অসি ঙসিদগী চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা ইম্ফাল অর্বান সিৱেজগী প্লান তৌনবগী অচৌ অচৌবা পাইপশিং ফুম্নবগী লৈবাক তৌথোকখিবা অমদি লৈবাক-নূঙ শীজিন্নদুনা ফুমজিনখিবা মতমদা থবকশিং নীংথিনা তৌখিদবদগী মফম কয়াদা অতোং-অকুৎশিং লৈরে, কোয়লাসসু পানা থাবদগী কুইনা চৎত্রে, নোং তোয়না তাবদগী ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবদগী লম্বী অনী অসি গাড়ী মচাদগী অচৌবা ফাওবা চৎলিবশিংদা নুংঙাইহন্দ্রে, খুদোংথীহল্লে।

য়াম্না শাথীনা অশোক-অপন থোকহল্লিবা মফমদি ৱাথম লৈরক্কী ময়ায় ওইরপ্পদা ফাষ্ট ত্রেক্ট সিগনেজগী মপাদা লৈরিবা লম্বী অসিগী ফীভম অসি অসুম-অসুম নমথখিদুনা মাল গাড়ী অচৌবা পোৎলূম পুবশিং নুংশা থীনরে অমদি গাড়ী মচা, অচৌবা থৌবশিংসু মফম অসি য়ৌবদা অকিবা পোক্নরে, মখাদা নমথখিবা য়াই হায়নসু মীপাইবা ফাওনরে।

ইম্ফালগী জিরো মাইলগী মনুংদা লৈরিবা অসুক মরু ওইখ্রবা লম্বী অনী অসি অথুবদা শেমজিনবীদুনা মীয়াম্না মরু ওইনা অনা-অয়েক্কী, অথু-অকায়গী চৎলিবা মীওইশিংগী য়েংবীদুনা শেমজিন্নবা পাউচেগী খূথাংদা মরী লৈনবা অঙম-অথৌশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

**অদোমগী - থাংজম রঞ্জিৎ, সিনাম লৈকায়, থাংমৈবন্দ**

## লম্বী শেমজিনবীয়ু, য়াইফহনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীগী লাইশঙ, ইম্ফাল ময়োলগী হয়িং খোংবান্দা লৈরিবসি চহী খরগী মমাঙগী শক্তমদু নৎত্রে হৌজিক্তি। য়াম্না চাউনা অহোংবা লৈরে। লাইশঙ অমদি মসিগী অকোয়বসি য়াম্না নীংথিজনা চৎনবা য়াবা মওংদা শেমজিন-শাজিনবদগী ওইরকপনি। ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিঙৈদা হৌজিক্কী উরিবা শকফম অসি ওইহনবীরম্বনি। হান্নগী মওং মতৌ অদু উহৌবা মীওইনদি হৌজিক্কীসিদি ওন্থোক্লা ফজরে, নীংথিজরে হায়নরি। খুদম হায়ববু নুমিৎ খুদিংগী মী লাক্লে, লাই খুরুম্বগা লোয়ননা লুকসু নুমিৎ খুদিং কৎলে। নুমিৎ থবান ফবদনা হেন্না মী লাকই। ইনক নক্লা লৈরগা ঐখোয় ইশাগী লাইশঙ খঙলমদ্রেদনা হায়নবসু য়াম্না য়াওরবনি। নোংঙাল্লমদাইদা নুমিৎ খুদিং পেনা য়াকাইরোল শক্লিবসিনা চাউনা ইথিল পীরিবনি মীয়ামদা। ইরাইলৈমা ইমাগী শক্তম খিন্দুনা লাইগী ঈকোল অসিসু ইনৌ নৌনা শেমজিন্দুনা অমুক্কসু হেন্না ফজহল্লে।

মসিগা ইরোয়ননা শেমজিনগদবা অমদি ইৱাৎ ৱাত্তুনা লৈরি। অহানবা মণিপুর রাইফলস তাবা জেল মমাঙগী লম্বী অসিদগী লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙ তাবা নোংপোক পাংনা চঙলক্লিবা লম্বী মচাসিদা মঙাইরে। মসিনা শাংলবদা খোঙকাপ ১০০ মুক্তনি হায়বা য়াই। লম্বী মচাসি খূই। মখা থংবদা নাশিক পান্বী অচৌবা খরা হৌই। মসি য়ান্থৎপদি পামদবা য়াই অদুবু পাকথোকপদি মথৌ তারে। লম্বী মচাসি তঙাইমক ফদনা থুনা শেন্বীবা মতাং চারে। ফীভম ফৎত্রে কায়রে। কার অনী ফাওবা থৈনবা য়াদে। এম আরগী গাড়ী কয়াসু চৎথোক-চৎশিন তৌরিবনি। মরম অসিনা লাইগী লাইশঙদা লাকপা গাড়ীশিং অমদি অতৈ গাড়ীশিংসু চৎপদা খুদোং চানবা নোংজু পাম্থা মপূং ফানা লাকত্রিঙৈদা অথুবদা পেডর ব্লোকনা ফজনা শেমজিনবীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জরি পূন্নমক্কী য়াইফনবা। অদোম্বুসু তৌবীমল খঙবা উৎচগনি, লাইনসু চানবীগনি।

**অদোমগী - ইরোম মোবি, ইম্ফাল ৱেষ্ট**

## কর্ম্মগী মান্দবতা ভাবোক্কী ফম্ফমদা মমিং থেৎপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ লুপা অমগী য়েরূম ১৬, মখায় পীবা য়েনবী নোংঙাল্লগা মরূম কোকপা, লিমোন বোড়া পুরগা, উলি সিলেট, কাংগ্রু পুরগা স্কুল চৎলিঙৈ অসিনচিংবা কয়া চৎনরিঙৈ, অশি-অনা, দেব-কর্ম্মগী মতমদা পুঙ য়ৈবা অনী, ঈশৈ হনবা য়াওনা পূন্না ২০/৩০গী ময়াদা শকপা-শোনবা চৎনরম্মী। মতম অদুদা পুঙ অনী, ঈশৈ হনবা, দুহার য়াওনা পূন্না ৫দা লুপা১ নত্রগা লুপা ২ থানরম্মী। ভাবোক ২০ নৎত্রগা ৩০গী মথক্তা ফম্বদা শেল থানরমদে। ভাবোক ময়ায় তাবদা ফি কৎনরমদে। প্লেটতা বিড়ি মপুন থম্বা নৎত্রগা অরাংফম্না বিড়ি য়েন্নরম্মী। ভাবোক্তা শেল থানরমদে। অয়ূক্তা শকপা-শোনবা তৌনরমদে। নুংথিলদা ওইনা পাঙথোকপা চৎনরম্মী। কোভিদকী মতমদা অয়ূক শোন্নরম্মী অদুবু হৌজিক্তি নুংথিলদা ওইনা পাঙথোক্লবসু য়াওনরে। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হৌজিক্তি অওনবা অহোংবা কয়া লাক্লে। অশিবনা খাঙেনফমদা থল্লগা ঈনা শঙ খন্নরম্মী। হৈক্রেংনা শীং ওইনরম্মী। পোৎলোইবদা য়ু য়াওনরমদে। হকচাং তুমদ্রিঙৈদা ঈশৈ নেক্লরমদে। লৈকায়গী মীনা ৱা অমমম পুনরক্লগা মান্দব খন্নরম্মী। লৈখিদ্রবা-লৈখিদ্রবী অদুনা চৎচরম্বা ধর্ম্মদা শোনবীরম্মী। শোরাৎ নুমিৎকী নুমিদাংদা ঙাতংনরমদে, নোংঙাল্লগা উসব কৎনরম্মী। কর্ম্ম নুমিৎতা লাকপা অহলশিং ভাবোক ওইনা ফমহল্লম্মী। ব্রাহ্মণনা মান্দব মপু ওইনরম্মী। মীওইদু লৈতবা নুমিৎকী নোংঙাল্লগা অষ্টি নুমিৎ ফাওবা লাইরিক তৌনরম্মী। কনাগুম্বনা শোরাৎ মমাঙ ফাওবা লাইরিক তৌনরম্মী। উসব কৎপদা লৈকায়গী অহল-লমনদি ময়ূমদগী খুজাই পুনরম্মী। লানা চাল্লুকলা ওইরম্মী। ঈশৈগী শেল থাবা মান্দবতা চঙবদা ফৈজোম শেৎলগা চঙনরম্মী। অতোপ্পা ফি শেৎলগা চঙনরমদে।

মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি কর্ম্মগী মান্দবতা ভাবোক্কী ফম্ফমদা মিং থেৎলম্বদা ইকায়বা নংখিবা অহলশিং উজখ্রে। ইকায়বা পীবগী মহুত্তা চেবাউদা ভাবোক ইবীখিবা নৎত্রগা ফমহঞ্জনীংবা ভাবোকশিং অদু চৎপা ঙমদ্রগসু ইমুংগী মী নৎত্রগা মরী-মতা অমনা ময়ূমদা চৎলগা হায়জবা মসি ওইরবদি নহাশিং অমদি অহলশিং ভাবোক ফম্নবা ঙন্না লাক্লরোই, ইকায়বসু পীররোই। মসিগী মওং অসি চত্থরবদি শেল পাম্বা নহাশিং, অহলশিং ইকায়জবা তাবনি। শেলগীদমক খল্লগা ইকায়বা, চোপ্পা খঙদনা অহলশিং, নহাশিং, থৌবুরেল, অৱাং ফম্না ভাবোক লেংশিনবীরো হায়দ্রিঙৈদা হান্না চোংশিন্দুনা ফম্বসু য়াওনৈ। মখোয় অসি মী মখল অমনি। ভাবোক ওইনা ফম্বীরবদি রাগ তাদ্রিবা ফাওবা ৱারী-ৱাতাই শান্নহন্নীংদে। ভাবোক নোংপোক ওনবা, অৱাং ওনবা অহল মকোক খরদি শেল থারক্লবা মতমদা শেল য়াওদ্রবসু চঙবীরগা ভক্তি কৎপনা, খুরুমজবনা পামজৈ। শেলগীদমক খল্লগা ভাবোক্লা শক্লিবা-শোল্লিবা অদু ইতা তাবীদনা শেল থাবা চঙলকপা য়েংদুনা লৈবসু পামজদে। কর্ম্ম/থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবদি করিগুম্বা য়ূমগী অনা-অয়েক্কী পাউ লাক্ত্রগদি লোইদ্রিবা ফাওবা লেঙদনা লৈবা পামজৈ। চৎনবীগী মতুংইন্না থৌদোক অমা থোকপদা ভাবোক য়াওদবা য়াদে হায়নরিবনি। কর্ম্ম অমা শোনবদা ঈশৈ হৌদ্রিঙৈদগী হৌনা ভাবোক ফম্নরিবনি অদুগা ঈশৈ অদু লোইদ্রিবা ফাওবা হৌগৎনদে। কর্ম্ম শোল্লিবা (কর্ম্মধারী) অদুনা ভাবোক্কীদমক ঙমজবা খরদং কৎচরগা ‘ভাবোক্তা শেল থাবীগনু’ হায়না মান্দবকী শরুকশিংদা থেৎপীবদা করিসু কায়দব্রা খল্লি। লোয়ননা কর্ম্মগী মান্দবতা ভাবোক্কী ফম্ফমদা মমিং থেৎপা অসিসু ফমহন্নীংলিবা ভাবোক অদুগী চেবাউদা থাবীবা নৎত্রগা ময়ূম-ময়ূমদা চৎলগা হায়জরবদি ভাবোক ওইনা ফমজগে লাকপা অহলশিং, নহাশিং ইকায়বা নংলোইদ্রা খঞ্জে।

**অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়**

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী এদিশনগী লমায় অসিদা য়াওখিবা রঞ্জিৎ নিংথৌজানা ইবা **‘ইন্দিয়ানা অতোম্বী য়ানবা চৎপদা নুপী অহল ফুধরি’** হায়রিবা আর্টিকল অসিগী অনীশুবা পেরগ্রাফতা ... *“ইশম শম্না লৈশারিঙৈ কুমজা ১৯৪৭কী সেপ্টেম্বর ২১দা ৱারোইপোৎ পুরগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৭তা লুহোংদুনা...”* অমদি অরোইবা পেরগ্রাফকী ... *“ৱাখল তানবা হোৎনবগী মহুত্তা কুমজা ১৯৪৭তা লুহোংদুনা য়ূম্বানমিন্নরিবা নুপী”* ... হায়রিবা সেন্টেন্স অনীসিদা য়াওরিবা *কুমজা* ১৯৪৭ অসি **কুমজা ১৯৪৯** হায়গদবনি হায়না অইবগী মায়কৈদগী শেংদোরক্লি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি। – রঞ্জিৎ নিংথৌজা